
# ইংলেন্দগী লেষ্টর সিটি অমসুং অর্সনেল মায়পাকখ্রে, টোটেনহাম মায়থীখ্রে, স্পেনগী ভিলারিয়াল থোইখ্রে রিয়াল সোসাইদেদ মায়থীহৌরে, ফ্রান্সকী নিস অমসুং পোর্টুগলগী বেনফিকা থোইবা ঙমখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হেক মথংদা লৈরিবা য়ুরোপা ফুটবোল লীগকী ঙরাং অথেংবা অমসুং ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লীগ মেচশিংদা ইংলেন্দগী ক্লব লেষ্টর সিটি অমসুং অর্সনেল মায়পাকপা ঙমখ্রে অদুবু টোটেনহাম হোটস্পরদি মায়থীখ্রে। স্পেনগী ক্লব রিয়াল সোসাইদেদ মায়থীখ্রবসু ভিলারিয়ালদি মায়পাকপা ঙমখ্রে। অমরোমদা ফ্রান্সকী নিস অমসুং পোর্টুগলগী বেনফিকা ফুটবোল ক্লবশিং থোইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং ‘গ্রুপ জি’গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লেষ্টর সিটিনা গ্রিসকী এঈকে এথেন্সকা লম্বা তৌনবদা লেষ্টর সিটিনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। অহানবা পাঞ্জল অদু পেনাল্টি অমদগী লেষ্টরগী জেমি ভার্দিনা ১৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মখা তানা লেষ্টর সিটিগী হমজা চৌধুরিদা টিমমেট মেদিসননা পীরকপা বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৩৯শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা এঈকে এথেন্সকী মায়কৈদগী মোমর টানকোবিচনা ৪৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা পোর্টুগলগী ব্রাগানা য়ুক্রেনগী ক্লব জোর্য়া লুহান্সকপুসু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। ব্রাগাগী মায়কৈদগী পোলিনো অমসুং গাইটাননা পাঞ্জল চনখি। অদুগা জোর্য়াগী মায়কৈদগীনা ইভানিসেনয়ানা চনখিবনি। লেষ্টর সিটি অমসুং ব্রাগা পোইন্ট ৬/৬ ফংলগা মকোক্তা লৈমিন্নরি।

গ্রুপ ‘বি’দা শরুক য়ারিবা ইংলেন্দগী অতোপ্পা টিম অর্সনেলনা আয়রলেন্দগী দুনদাল্ক টিম্বু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী পাঞ্জলশিং অদু ইদৱার্দনা ৪২শুবা মিনটতা অদুগা জোসেফ ৱিলোকনা ৪৪শুবদা অদুগা অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা নিকোলাস পেপেনা ৪৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা নোর্ৱেগী মোল্ডেনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেপিদ ৱেনবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। গ্রুপ অসিদা অর্সনেল অমসুং মোল্ডেনা পোইন্ট ৬/৬ ফংমিন্নবসু গোল দিফরেন্সতা অর্সনেলনা হেন্দুনা লৈরি।

গ্রুপ ‘জে’দা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর ঙরাং অথেংবদা বেলজিয়মগী এন্টরেপকা লম্বা তৌনবদা শুপ্পগী পাঞ্জল অমদা মায়থীবা নংখি। মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী মিনট ২৯ শুবদা দিয়ুমর্সিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট লিওর রেফেলোবনা চনখিবনি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ওষ্ট্রিয়াগী লাস্ক ফুটবোল ক্লবনা বলগেরিয়াগী লুদোগোরেটস রাজগ্রাদপু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখি। বেলজিয়মগী এন্টরেপনা মেচ অনী শান্নখিবদা অনীম্মক মায়পাক্কুনা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

গ্রুপ ‘এফ’কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা স্পেনগী ক্লব রিয়াল সোসাইদেদ ইটালিগী ক্লব নাপোলিগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখি। মেচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু নাপোলিগী পোলিটানোনা শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা নেদরলেন্দসকী এজি ফুটবোল ক্লবনা ক্রোসিয়াগী রিজেকা টিম্বু পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখি। এজিগী মায়কৈদগী কুপমৈনর অমসুং কার্লসননা পাঞ্জল অমমম অদুগা গোমুন্দসননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুগা রিজেকাগী মায়কৈদগীনা কুলেনোবিচনা চনখি।

গ্রুপ ‘আই’গী মেচ অমদা স্পেনগী ভিলারিয়ালনা অজর্বাইজানগী করাবেগপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখি। ভিলারিয়ালগী মায়কৈদগী অলকাসরনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুগা টিমমেট পিনোনা ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। করাবাগকী মায়কৈদগীনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ওৱুসুনা ৭৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইজরেলগী মকাবি টেল অবিবনা টর্কিগী সিভাসপোরবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। মকাবিগী মায়কৈদগী বিলটোন অমসুং পেরেটজনা চনখিবনি অদুগা সিভাসপোরগী মায়কৈদগীনা কায়োদেনা চনখি। গ্রুপ অসিদা ভিলারিয়ালনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা খ্বায়দগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

গ্রুপ ‘ঐচ’তা ইটালিগী ক্লব এসি মিলাননা জেক রিপব্লিক্কী স্পার্টা প্রাগপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল মেচকী ২৪শুবা মিনটতা ইব্রাহিমোবিসনা পীরকপা বোল অমদা ব্রাহিম দিয়াজনা চনখি। শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা ইব্রাহিমোবিসনা পাঞ্জল ওইরল্লগদবা পেনাল্টি অমা চনবা ঙমহৌখিদে।

অনীশুবা হাফতা রাফেল লিয়াওনা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা দালোটনা পীরকপা বোল অমদা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা দালোটনা বেনেসরনা পীরকপা বোলদগী ৬৭শুবা মিনটতা চনখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ফ্রান্সকী লীল অমসুং স্কোটলেন্দগী সেলটিককা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। সেলটিক্কী মায়কৈদগী এলয়োনোসিনা পাঞ্জল অনীম্মক ২৮ অমসুং ৩৩শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা লীলগী মায়কৈদগীনা ৬৭শুবা মিনটতা সেলিকনা অদুগা ৭৫শুবা মিনটতা ইকোনেনা চনবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিদা ইটালিগী এসি মিলাননা মেচ অনী শান্নবদা অনীম্মক মায়পাক্কুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

# টোকিও ওলিম্পিক্স ওর্গনাইজরনা জপানদা লৈবা টিকেট লৈখিবশিংগী শেনফম হন্দোক্লগনি হায়রি

টোকিও, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌগনি হায়না তৌরম্লগা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়েথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা মাংজৌননা টিকেট কক্খ্রবা টোকিওদা লৈবা ভাবোকশিংগীদমক্তা ওর্গনাইজরশিংনা মখোয়গী টিকেটকী মমলশিং অদু হন্দোক্লগনি হায়রি।



টোকিও ওলিম্পিক গেমস লোকল ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা ৱাফম অসি ঙসি ফোঙদোক্লদুনা শুংশোয় শোয়দনা টিকেটকী মমলশিং অদু হন্দোক্লগনি হায়বগী ৱাফম থম্লকপনি। ৱারোল অসিনা মখা তারদুনা হায়রিবা টিকেটকী মমল হন্দোক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা জপানগী ৱাংমদা লৈবা ভাবোকশিংগী ওইনদি য়াওদে হায়রি।

জপানদা লৈরিবা ভাবোকশিংনা মখোয়না লৈখিবা চহী অসিগী ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা টিকেটশিং অদু মথং চহীদা শীজিন্নবা য়ারোইদবা মরম্না ওর্গনাইজরশিংনা মথং চহীগী ওইনদি নৌনা অমুক টিকেট য়োনবা হৌনবগী প্লান লৈবা মরম্না টিকেটশিং অদুগী মমল নবেম্বর ১০দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌরক্লগা লৌথোকপা য়াগনি হায়রি।

পেরালিম্পিককী ওইনা কক্খ্রবা টিকেটশিং অদু রিফন্দ তৌবগী ওনলাইনদা এপ্লাই তৌবগী মতম অদুনা দিসেম্বর ১দগীনা ২১ ফাওবা ওইগনি। টোকিও ওর্গনাইজরশিংনা ওলিম্পিক গেমস শিন্নবা হোৎনবদা টিকেট য়োনবদা লাকখিবা শেনফম অদু য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ রোমনি। মসিনা গেমস অসিগী শীজিন্ননবা হোৎনবদা খ্বাইদগী চাওনা লাকপা অহুমশুবা লম ওইরিবনি।

# ইন্দিয়াগী দিবিজ সারন অমসুং রোহন বোপানা অষ্টানা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা মায়থিহৌরে

নুর সুল্টান, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): কজাখষ্টানগী সিটি নুর সুল্টানদা পাঙথোকপা অষ্টানা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী দিবিজ সারন অমসুং রোহন বোপানা মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা পার্টনরশিংগা শরুক য়ারকপদা মায়থীহৌরে।

নুর সুল্টানগী নেসনল টেনিস সেন্টরদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা দিবিজ সারননা বৃটেনগী শান্নরোয় লুক বমব্রিজগা প্যের ওইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী রন্নর্স অপ তাখিবা প্যের ওষ্ট্রেলিয়া মচা অনী মেক্স পর্সেল অমসুং লুক সাবিলগী মখূৎতা সেট ২দা মায়থীবা নংখিবনি। অহানবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্যের অদুনা ৬-৩দা থোইরগা অনীশুবা সেটতা লম্বা খরা লাল্লবসু ইন্দিয়া অমসুং গ্রেট বৃটেনগী প্যের অদু ৫-৭তা মায়থীহৌখি।



নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রোহন বোপানানা দেনমার্ককী শান্নরোয় ফ্রেদেরিক নেলসনগা প্যের ওইদুনা অহানবা রাউন্দদা উরুগ্বেগী মার্সেলো এরেভালো অমসুং বোস্নিয়া-হর্জিগোবিনাগী শান্নরোয় টোমিস্লাবকা লম্বা তৌনবদা সেট ৩ চঙনা য়াম্না কন্না লেঙ মান্ননা শান্নখি। অহানবা সেট ইন্দিয়া অমসুং দেনমার্ককী প্যের অদুনা টাই ব্রেকতা ৭-৬ (৭-৫)তা থোইদুনা মাংজিল থাখিবনি। অদুবু অনীশুবা সেটতা অমুক্কা হন্না প্যের অনীনা টাই ব্রেক শান্নরকপদা উরুগ্বে অমসুং বোস্নিয়া-হর্জিগোবিনাগী প্যের অদুনা ৭-৩দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নরকখি। দিসাইদিং সেট অদু সুপর টাই ব্রেক ওইনা শান্নখি। পোইন্ট ১০ য়ৌবা ঙন্বা অহানবা প্যের অদুনা মায় পাক্কদবা সেট অদু বোপানা অমসুং ফ্রেদেরিক ৫-১০দা মায়থীহৌবদগী টুর্নামেন্ট অদুদগী লৈহৌবনি। মায়থীহৌরবসু বোপানা অমসুং মহাক্কী পার্টনরনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ২৬৫০ ফংখি। অদুবু রেটিং পোইন্টতি ফংখিদে।

# জুনিয়র ইন্দিয়া হোকি প্লেয়র অমা কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টর ওফ এক্সলেন্সতা কেম্পকীদমক শরুক য়াননবা লাকখিবা জুনিয়র হোকি শান্নরোয় অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে।

সাইগী প্রোটোকোলগী মতুংইন্না শান্নরোয়শিং অদু ট্রেনিং চথবা হৌদ্রিঙৈদা মখোয়না লাক্কদৌরিবা মফমশিং অদুদগী আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌরক্কদবনি। মদু লোইরবা মতুং সেন্টর অদু য়ৌরকপদসু টেষ্ট অমুক হন্না তৌরক্কদবনি। মফম অদু য়ৌরক্লবা শান্নরোয় পূম্নমক মেন্দটরি ওইনা ক্বারন্টিন তৌরিবনি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা য়ৌরকখিবা শান্নরোয় সিৱাচকী রিপোর্ট অদু শগোলশেল নুমীৎকী অথেংবদা য়ৌরকপনি। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা শান্নরোয় অদু মনাক নকপদা লৈবা বেঙ্গলুরুগী এস দি স্প্রাস মল্টিস্পেসিএলিটি হোস্পিটালদা মোনিটর তৌননবা থমখ্রে হায়রি।

মফম অদুদা জুনিয়র হোকি শান্নরোয়শিং অদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র এসিয়া কপ হোকি টুর্নামেন্ট শরুক য়াননবা শেম শাবা ওইনা জন্যুৱারী ১৮ ফাওবা কেম্প চথগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, জুনিয়র হোকি ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুর মচা অহুম শরুক য়ারি। মখোয়শিং অদুদি, দিফেন্দরদা মোইরাংথেম দিনাচন্দ্র অমসুং ৱারিবম নিরজকুমারনি। লোয়নন মিদ ফিল্ডদা মোইরাংথেম রবিচন্দ্রসু শরুক য়ারি। মফম অদুদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র শান্নরোয়শিংসু ট্রেনিংগীদমক্তা লৈরি।

# লায়েংলিবা ওলিম্পিয়ন মোহিন্দরদা রিজিজুনা শেলগী মতেং পীরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): কুমজা ১৯৮৮ সিওল ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখিবা লোয়ননা ১৯৮৬তা পাঙথোকখিবা লন্দন ৱর্ল্ড কপ হোকি টুর্নামেন্টদসু শরুক য়াখিবা হৌজিক্লা কিদনি অনীমক শোক্তুনা লায়েংলিবা ওলিম্পিয়ন মোহিন্দর পাল সিংহদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা শেলগী মতেং পীরগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

মোহিন্দর পাল সিংহদা পীগদৌরিবা শেলগী মতেং অসি মিনিষ্ট্রিগী তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা পীগদৌরিবনি। মশাগী চহী ৫৮-শুরবা মোহিন্দর পাল সিংহ নোইদাদা লৈবনি। হায়রিবা মফম অদুগী কন্সটিট্যুয়ন্সি ওইরিবা গৌতম বুধ নগর কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট মহেশ শর্ম্মাদা মখা তাবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং অদু পায়খৎনবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং রিজিজুগা মোহিন্দর পালগী লোয়নবী য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকখি। মদুদা নোইদাগী এম পি মহেশ শর্ম্মাবু ফোন তৌদুনা অথুবা মতমদা শেলগী মতেং অদু পীননবা হায়খিবনি। কিদনি অনীমক শোকচিল্লকপা মরম্না দোনর অমা লৈত্রিবা ফাওবা মহাক চয়োল অমদা সাউথ দিল্লিদা লৈবা এপোলো হোস্পিটালদা দাইলাইসিসকীদমক অহুম্লক চৎপগী মথৌ তারি।

মোহিন্দর পালগী লোয়নবী শিবজিৎনা ফোঙদোরকপদা, মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থাজবা থম্বীরকপা অদু য়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লিংঙাইনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ৱিন্নর ওইখ্রবা কৃষ্ণণ কোসিক অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় বিনিট কুমার, রোমিও জেমস অমসুং অর্বিন সব্রাসু য়াওখি। মখোয়গী মনুংদা ইন্দিয়াগী কোচ ওইরম্বা হরেন্দ্রা সিংহসু য়াওখি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা পন্দিট দিন দয়াল নেসনল ৱেলফ্যের ফন্দ ফোর স্পোর্টস পর্সন্সনা শান্নরোয় ওইরম্বশিংগী অনা-লায়েংগীদমক্তা লুপা লাখ ১০গী গ্রান্ট পীবগী কাঙলোন য়াওরি। মহাক্লা হৌজিক লৈরিবা হোস্পিটাল অদুগী মেনেজমেন্টকা অথুবদা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি হায়খি।

# রাজস্থান রোয়লসনা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবপু ৫০শুবা মেচ ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে

অবুধাবী, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): রাজস্থান রোয়লসনা ঙসি অবুধাবীগী সৈখ জায়িদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৫০শুবা মেচতা রাজস্থান রোয়লসনা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবপু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস রাজস্থান রোয়লসনা ঙমদুনা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবপু হান্না বেটিং তৌহনখি। কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মায়কৈদগী ওপনর মন্দিপ ইন্নিংসকী অহানবা বোলদা আউট ওইখি। খৃস গেলনা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা কেপ্টেন লোকেস রাহুলগা লোয়ননা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক্তা য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ১৪ শান্নমিন্নরকপদা রন ১২০ হাপচিনবা ঙমখি।

রাহুল বোল ৪১দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৬তা আউট ওইখি। মরিশুবা বেটচমেন পুরানগা গেলগনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৪১ হাপচিন্দুনা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী অপূনবা স্কোর অদু ওভর ১৮ শুরকপদা রন ১৬২ য়ৌহনখি। মহাক বোল ১০দা রন ২২ লৌবা ঙমখিবদা সিক্স ৩ য়ৈরম্লগা আউট ওইখি। নাকল অমরোমদা, খৃস গেলনা বোল ৬২ মায়োক্লবদা সিক্স ৮ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৯৯দা লৈরিঙৈ ৬৩ শুবা বোলদা মহাক আউট তাখি। মহাক আউট ওইখ্রবা মতুং টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ১৮৫দা ৱিকেট মরি তুরগা লোইশিনখি।

মায়পাক্লনবা রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী রন ১৮৬ লৌনবা হোৎনরকপদা ১৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট অহুমখক আউট ওইরগা রন ১৮৬ লৌদুনা মেচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী মকোক থোংবা বেটচমেনশিংগী মশান্না অদুদা য়াম্না মপূং ফাবা অমা ওইখি। মখোয়না কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী বোলরশিংবু প্রেসর লৈতনা শান্নদুনা রন লৌনিংবা মতমদা অদুম্মক লৌবা ঙমখি।

ওপনর রোবিন উথাপা অমসুং বেন ষ্টোক্সনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৬০ হাপচিনখি। ষ্টোক্স বোল ২৬তা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরম্লগা রন ৫০দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা সঞ্জু সেমসন অমদি উথাপানা মখা তানা রন ৫১ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর ১১১ য়ৌরকখি। উথাপা ইন্নিংসকী ১১শুবা ওভরদা রন ৩০ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

কেপ্টেন ষ্টিভেন স্মিথ অমসুং সেমসননা মখা তাবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ১৪৫ য়ৌরকখি। সেমসন বোল ২৫দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৪৮দা আউট ওইখি। মঙাশুবা বেটচমেন জোস বটলর অমদি স্মিথনা ইন্নিংস অদু মখা তানা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ২২ অমসুং ৩১ লৌখিবদগী ১৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা থোইবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৫১শুবা মেচতা দিল্লি কেপিটেলস অমসুং মুম্বাই ইন্দিয়ন্স শান্নগনি। অদুগা ৫২শুবা মেচ অদুসু হয়েং রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর অমসুং সনরাইজর্স হায়দরবাদ শান্নগনি।

# ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসন নবেম্বর ২০দগী গোৱাদা শান্নরগনি

ভাস্কো, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টতা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসন অদু চহী অসিগী নবেম্বর ২০দগী গোৱাগী তোঙান-তোঙানবা সিটি অহুমদা লৈবা ষ্টেদিয়ম অহুমদা হৌরগনি।




অহানবা মেচ অদু মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা অদুগা হন্দক্কী সিজন অসিদনা মোহন বগানগা পূনশিনবা টিম অমা ওইরগা এ টি কে মোহন বগান হায়না মিংথোনখ্রবনা কেরলা ব্লাষ্টরসকা শান্নগনি। মোহন বগান তোঙানবা ক্লব অমা ওইনা শরুক য়াদ্রবসু আই এস এলদা এ টি কেগা পূনশিন্দুনা অহানবা ওইনা আই এস এল শান্নগদৌরিবনি। মখোয়গী মতম শাংনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী টিমসু হন্দক্কী সিজন অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবনি। ফাটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম, ভাস্কোদা লৈবা টিলক মাইদান অমসুং বম্বোলিমদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা পূন্না মেচ ১১৫ শান্নগনি।

| DATE & DAY | MATCH | TIME (IST) | VENUE |
|---|---|---|---|
| 20 November, Friday | Kerala Blasters vs ATK-Mohun Bagan | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 21 November, Saturday | NorthEast United FC vs Mumbai City FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 22 November, Sunday | FC Goa vs Bengaluru FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 23 November, Monday | Odisha FC vs Hyderabad FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 24 November, Tuesday | Jamshedpur FC vs Chennaiyin FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 25 November, Wednesday | FC Goa vs Mumbai City FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 26 November, Thursday | Kerala Blasters vs NorthEast United FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 27 November, Friday | SC East Bengal vs ATK-Mohun Bagan | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 28 November, Saturday | Bengaluru FC vs Hyderabad FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 29 November, Sunday | Jamshedpur FC vs Odisha FC | 5:00 PM | Tilak Maidan |
| 29 November, Sunday | Chennaiyin FC vs Kerala Blasters FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 30 November, Monday | FC Goa vs NorthEast United FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 1 December, Tuesday | Mumbai City FC vs SC East Bengal | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 2 December, Wednesday | Hyderabad FC vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 3 December, Thursday | ATK-Mohun Bagan vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 4 December, Friday | Chennaiyin FC vs Bengaluru FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 5 December, Saturday | NorthEast United FC vs SC East Bengal | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 6 December, Sunday | Mumbai City FC vs Odisha FC | 5:00 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 6 December, Sunday | FC Goa vs Kerala Blasters | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 7 December, Monday | Jamshedpur FC vs ATK-Mohun Bagan | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 8 December, Tuesday | Bengaluru FC vs NorthEast United FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 9 December, Wednesday | Mumbai City FC vs Chennaiyin FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 10 December, Thursday | SC East Bengal vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 11 December, Friday | ATK-Mohun Bagan vs Hyderabad FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 12 December, Saturday | Odisha FC vs FC Goa | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 13 December, Sunday | NorthEast United FC vs Chennaiyin FC | 5:00 PM | Tilak Maidan |
| 13 December, Sunday | Bengaluru FC vs Kerala Blasters FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 14 December, Monday | Mumbai City FC vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 15 December, Tuesday | Hyderabad FC vs SC East Bengal | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 16 December, Wednesday | ATK-Mohun Bagan vs FC Goa | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 17 December, Thursday | Odisha FC vs Bengaluru FC | 7:30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 18 December, Friday | NorthEast United FC vs Jamshedpur FC | 7:30 PM | Tilak Maidan |
| 19 December, Saturday | FC Goa vs Chennaiyin FC | 7:30 PM | Fatorda Stadium |
| 20 December, Sunday | Hyderabad FC vs Mumbai City FC | 5:00 PM | Tilak Maidan |
| 20 December, Sunday | Kerala Blasters vs SC East Bengal | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 21 December, Monday | ATK Mohun Bagan vs Bengaluru FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 22 December, Tuesday | Odisha FC vs NorthEast United FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 23 December, Wednesday | Jamshedpur FC vs FC Goa | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 26 December, Saturday | SC East Bengal vs Chennaiyin FC | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 27 December, Sunday | Kerala Blasters vs Hyderabad FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 28 December, Monday | Bengaluru FC vs Jamshedpur FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 29 December, Tuesday | Chennaiyin FC vs ATK Mohun Bagan | 7,30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 30 December, Wednesday | Hyderabad FC vs FC Goa | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 2 January, Saturday | Mumbai City FC vs Kerala Blasters FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 3 January, Sunday | SC East Bengal vs Odisha FC | 5.00 PM | Tilak Maidan |
| 3 January, Sunday | ATK Mohun Bagan vs Northeast United FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 4 January, Monday | Chennaiyin FC vs Hyderabad FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 5 January, Tuesday | Bengaluru FC vs Mumbai City FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 6 January, Wednesday | SC East Bengal vs FC Goa | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 7 January, Thursday | Kerala Blasters FC vs Odisha FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 8 January, Friday | Northeast United FC vs Hyderabad FC | 7.30 PM | Tilak Maidan |
| 9 January, Saturday | Bengaluru FC vs SC East Bengal | 7.30 PM | Fatorda Stadium |
| 10 January, Sunday | Chennaiyin FC vs Odisha FC | 7.30 PM | GMC Stadium Bambolim |
| 10 January, Sunday | Jamshedpur FC vs Kerala Blasters FC | 5.00 PM | Tilak Maidan |
| 11 January, Monday | ATK Mohun Bagan vs Mumbai City FC | 7.30 PM | Fatorda Stadium |

# শিব থাপা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌরে, অমিট, কাবিন্দর বিষ্ট অমসুং সঞ্জিৎ ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): ফ্রান্সকী সিটি নান্টেসতা পাঙথোকপা এলেসিস বাষ্টিন ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সিংগী মনুংদা শিব থাপা সেমীফাইনেলদা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌরে। অমরোমদা, অমিট পনঘল, কাবিন্দর বিষ্ট অমসুং সঞ্জিৎতি সেমীফাইনেল মায় পাক্কুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



এসিয়ন বোক্সিংগী মেদল মরিরক ফংবা ঙমখ্রবা শিব থাপানা কিলোগ্রাম ৬৩গী কাঙলূপ্তা ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবা সেমীফাইনেল বাউট অদুদা ফ্রান্সকী টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না কন্না থাজনরিবা বোক্সর লোন্স হমরাওগা য়াম্না নক্লবা পোইন্টতা মায়থীহৌখিবনি। জজ অহুমগী ৱারেপ্তা জজ অনীনা লোন্সকী ফেবরদা লৈখ্রবা মতুং জজ অমনা শিব থাপাগী ফেবর পীখিবদগী মায়থীবা নংহৌবনি।

ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ বোক্সরসু ওইরিবা অমিট পনঘলনা কিলোগ্রাম ৫২গী কেটগোরিদা য়ু এস এগী বোক্সর খৃষ্টোফর হেরেরাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাক্কুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। হায়রিবা কাঙলূপ অদুদা শুপ্পগী বোক্সর মরিগী লম্বা ওইখিবা মরম্না বাউট অমা মায় পাকপদা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লিবনি।

কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলূপ্তা কাবিন্দর সিংহ বিষ্টনা ফ্রান্সকী বোক্সর বেনিক জোর্জ মেলকুমানবু পোইন্ট ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা ফ্রান্সকী অতোপ্পা বোক্সর সাম্যুএল কিষ্টোহরিগা লম্বা তৌনরগনি।

সঞ্জিৎনা কিলোগ্রাম ৯১গী কাঙলূপ্তা য়ু এসকী বোক্সর সেরোদ ফুলগমবু ২-১দা থোইদুনা ফাইনেলদা ফ্রান্সকী সোহেব বোফিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

# হায়দরবাদ এফ সীগা স্পেনগী মার্বেল্লা এফ সীগা খূৎয়েক পীনখ্রে

হায়দরবাদ, ওক্টোবর ৩০(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শান্নরিবা টিম অমা ওইরিবা হায়দরবাদ এফ সীগা স্পেনগী থর্দ টায়র ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেগুন্দা দিভিজন বিদা শান্নরিবা মার্বেল্লা এফ সীগা চহী ৩গী ওইবা খূৎয়েক পীনদুনা মতেং লৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, মার্বেল্লা এফ সীগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদু স্পেন লৈবাক খক্তা নৎতনা য়ুরোপকী ওইনসু মকোক থোংবা ফেসিলিটিশিং পীরিবনি। ক্লব অনীনা টাই অপ তৌখিবা অসিনা হায়দরবাদ এফ সীদা টেক্নিকেলগী ওইবা লম্দা য়াম্না কান্নবা পীরগনি।

চুংশিন্নবা অসিগী থৌরমশিংগী মতুংইন্না হায়দরবাদ এফ সীগী মকোক থোংবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অমদি রিজর্ভ টিমনা মার্বেল্লাদা হৌজিক লৈরিবা অথিংবা অসি লৈত্রবা মতুং চৎতুনা ট্রেনিং ফংগদৌরিবনি হায়না হায়দরবাদ এফ সীগী কো-ওনর বারুন ট্রিপুরানেনিনা ফোঙদোকখি।

ট্রেনিং ফংবতা নৎতনা মার্বেল্লা এফ সীগী ওইনা লৈরিবা শান্নরোয় খনবগী গ্লোবল নেটৱর্ক অদুগী মনুংদা ইন্দিয়াগী অফবা শান্নরোয়শিংগী অচৌবা খূদোংচাবা অমা লৈগদৌরি।

মার্বেল্লা এফ সীগী জেনরেল মেনেজর হেক্টর মোরালেসনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা অচৌবা ফুটবোল মার্কেট অমা ওইনা ওইরক্লিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব অমগা খূৎশম্নদুনা থবক তৌমিন্নবদা নাকল অনীমক্তা কান্নবা কয়া ফংগনি হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com